**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 01-04-2025)**
**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ০১-০৪-২০২৫, লৈবাকপোকপা)**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী কে.সি.পি(নোয়োন)গ্রুপকী মীওই মঙা ঙরাং মনিপুর পুলিসনা ফারে হায়রি।

২) কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি অমিত শাহনা হায়রি-কেন্দ্র সরকারনা লৈবাক অসিদগী দ্রগকী সমস্যা মুথৎনবা অচেৎপা ফীরেপ অমগা লোয়ননা থবক কয়ামরুম পায়খৎলি।

**অমসুং**

৩) কেন্দ্রগী রোদ অমসুং ট্রান্সপোর্ট মন্ত্রি নিতিন গটকারিনা হায়রি-লৈবাক অসিগী মরুওইবা সমস্যা অমা ওইরিবা নুংশিৎ মোৎপগী চাং হন্থহন্নবা অমত্তা ঙাইরবা পাম্বৈদি ইলেক্ট্রিক্ট গারি শিজিন্নবনি।

**পুলিস (এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী কে.সি.পি(নোয়োন)গ্রুপকী মীওই মঙা ঙরাং মনিপুর পুলিসনা ফারে হায়রি।

মণিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমা থোকপা চেরোল অমদা হায়-ফারবা মীওই মঙা অসি মীয়ামদগী নমদুনা শেল খাইবা অমদি মীয়ামদা কিহন খঙহনবদা চেন্নবা মীওইশিংনি। মখোয়দগী মেগজিন য়াওবা নাইন এম এম পিষ্টোল অমা, পিষ্টোল

হোলষ্টর অমা, মোবাইল ফোন অহুম অমদি চাকা অনি পানবা গারি অনি ফাগৎলে হায়রি।

অমরোমদা, নেসনেল হায়ৱে নম্বর-২ ইম্ফাল দিমাপুর লম্বীদা পোৎচৈ পুবা গারি ২৩৫ অমদি নেসনেল হায়ৱে নম্বর-৩৭ ইম্ফাল জিরিবাম লম্বীদা পোৎচৈ পুবা গারি ১৬৯ সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিল থৌরাংগা লোয়ননা ইম্ফাল তমা চংলকখ্রে হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তারি।

**দোঙেল(এল)ঃ** মণিপুর পুলিস হাউজিং কোরপোরেসনগী দাইরেক্তর ওইরম্বদগী থবক্তগী পোথারবা আই.পি.এস ওফিসর খৃষ্টোফর দোঙেলগী সুপর রেন্যুয়েসন ডে ঙরাং পাঙথোকখ্রে। মণিপুর পুলিস হেদক্কাতরসতা পাঙথোকপা অচম্বা থৌরম অমদা দি.জি.পি রাজিপ সিংহনা থবক্তগী পোথারবা ওফিসর অসিনা মণিপুর পুলিসকীদমক লৌরম্বা থৌদাংবু থাগৎপা ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসিএল কয়ামরুম শরুক য়াখি।

**এআর(এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা চান্দেল জিলাগী নাথম খূলদা লৈবা লিতল দ্রোপস লাইফ চিলদ্রেন্স হোমগী নৌনা শাবা দোর্মিতরি খূৎশিন্নখ্রে। দোর্মিতরি অদু ওপরেসন সদভাপনাগী মখাদা শেমগৎপনি হায়রি।

অমরোমদা, অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা চৈরাওবা অমদি ইদুল ফিতরগী থৌরমশিং পাঙথোকখ্রে।

**আর্মি(এল)ঃ** ভারত লান্মীনা শিন্দুনা ঙরাং ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মোইরাংপুরেলদা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। ঙাকশেল মন্ত্রালয়গী পি.আর.ওনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-মীয়ামবু হকচাং ফনা অমদি লূ নান্না থমবগী পান্দমদা মেদিকেল কেম্প অসি পাঙথোকপনি। কেম্প অদুদা নুপী ৯৩ অমদি অঙাং ৩৯ য়াওনা মীওই ২১৬ লেমা লায়েংখি অমদি

হিদাক লাংথকশিংসু পীখি।

**দোনেসন(এল)ঃ** শেনবা চহী ২০২৪-২৫ লোয়শিল্লকপগা ইরোইননা ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী মখাদা ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, বিষ্ণুপুর অমদি থৌবাল জিলাগী হাংলিবা রেদ ক্রোস সোসাইটিকী ব্রাঞ্চশিংনা পুন্না ব্লদ দোনেসন কেম্প ৬৬ চথুখি। পুন্না ব্লদ য়ুনিট ১৫৭৯ তোঙান তোঙানবা ব্লদ বেঙ্কশিংদা পীখি হায়রি।

**ফুটবোলঃ** এল.এম.এল.সি.সি লাংমৈদোংনা শিন্দুনা চথরিবা মঙা শুবা ষ্টেট লেভেল ওপন ফুটবোল টুরনামেন্ট ২০২৫গী ঙরাং শান্নখিবা মেটচতা ঐচ.এফ.সি লাংমৈদোংনা ৱাইখোঙ এফ.সিবু পাঞ্জল ৩-২ দা থোইখ্রে।

**বোদি বিল্ডিংঃ** ওল মণিপুর বোদি বিল্ডির্স এসোসিএসননা শিন্দুনা শাফবশিং ওকপগা থৌরম অমা ঙসি অয়ুক ইম্ফালগী খুমন লম্পাক্তা লৈবা মসিগী ওফিসতা পাঙথোক্লগনি।

**গৃহ ঃ** কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি অমিত শাহনা হায়রি-দেল্লি নেসনেল কেপিতেল রিজনদগী য়ামা চাউবা নার্কো নেটৱার্ক অমা থুগাইবা ঙল্লে। সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা শ্রী শাহনা হায়-নার্কোতিক্স কন্ত্রোল ব্যুরো(এন.সি.বি) অমসুং দেল্লি পুলিসনা গেং খূৎপু অমা ফাবগা লোয়ননা লূপা কোতি ২৭ রোমগী মমল ওইগদবা মেথাফেথামাইন অমসুং কানি ফাগৎপা ঙল্লে। পুলিস টিম অসিনা অফ্রিকা মচা মরি য়াওনা মীওই মঙা ফাগৎপা ঙল্লে। এন.সি.বি অমসুং দেল্লি পুলিসনা অসিগুম্বা নার্কো নেটৱার্ক অমা থুগাইবা ঙম্বদা গৃহ মন্ত্রিনা থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা হায়-নরেন্দ্র মোদি সরকারনা দ্রগকী মায়োক্ত চংশিল্লিবা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা দ্রগ লল্লোনবশিং ফানবা লেপ্পা লৈতনা

হোৎনখিগনি।

অমরোমদা, পঞ্জাব পুলিসনা তার্ণ তরনদগী মীওই অমা হেরোইন কিলোগ্রাম ১৫গা কোন্ননা ফারে। মহাক অসি পাকিস্তান অমসুং অমেরিকাদা বেজ তৌবা দ্রগ কাংবুশিংগা মরি লৈনবা মীশকি হায়রি। পঞ্জাব সরকারনা দ্রগকী মায়োক্তা চংশিনখিবা কেম্পেইনগী মনুং চন্না হন্দক্কী অসিনা খ্বাইদগী য়ামা দ্রগ ফাবা ঙম্বা ওইরে। পঞ্জাবগী দি.জি.পি গৌরপ য়াদবনা হায়-অমৃটসরদা বেজ তৌবা হরসপ্রিট সিংহ কৌবা মীওই অমনা পাকিস্তানগা তাইনবা ঙমখৈ পরিংগী লৌবুক অমদগী য়াল্লবা দ্রগশিং অসি পুশিল্লকবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরি হায়বদু খঙবা ঙল্লে। পোৎলমশিং অসি পাকিস্তানদা বেজ তৌবা মহাক্কা মরি লৈনবা কাংবুশিংনা দ্রোন শিজিন্নদুনা থাদনবা হোৎনরম্বনি।

**পোল্যুসনঃ** কেন্দ্রগী রোদ অমসুং সিভিল এভিয়েসন মন্ত্রি নিতিন গটকারিনা হায়রি-লৈবাক অসিগী মরুওইবা সমস্যা অমা ওইরিবা নুংশিৎ মোৎপগী চাং হন্থহন্নবা অমত্তা ঙাইরবা পাম্বৈদি ইলেক্ট্রিক্ট গারি শিজিন্নবনি।

মহারাষ্ট্রগী থানেদা লৈবা শ্রীকান্ট বাপটস লেব খূথাংদা ঈ বাইসাইকল হৌদোক্লদুনা কেন্দ্রগী মন্ত্রি অসিনা হায়-নুংশিৎ মোৎপা অসিনা লৈবাক অসিগী মরুওইবা সমস্যা অমা ওইরক্লি। অদুম ওইনমক কেন্দ্র সরকারনা শিংনবা অসি মাইয়োকনবা থৌরাং কয়া লৌখৎলি। ইং ২০৩০ ফাওবদা ইলেক্ট্রিক্টকী গারি পুথোকপশিংগী মনুংদা ভারতনা খ্বাইদগী মাংজিল থাবা লৈবাক অমা ওইরগনি হায়বগী থাজবা ফোঙদোক্লদুনা মন্ত্রিনা হায়-লাক্লিবা মতম খর অসিদা পেট্রোল, দিজল অমসুং ইলেক্তিক্ট কারশিংগী মমলদা অহোংবা লৈরোই।

**পিএমঃ** ৬ শুবা বিমষ্টেক মীফম য়াওরুনবা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি থাইলেন্দ পাঙগনি। মীফম অসি থাইলেন্দগী কোনুং বেঙ্কোকতা এপ্রিল ৪দগী হৌগনি। কুমসি চহীগী বিমষ্টেক মীফমগী হীরমনা প্রোস্পেরস, রিজিলিয়ন্ট

অমসুং ওপন বিমষ্টেক হায়বসিনি। বিমষ্টেক মীফম য়াওরুনবগীদমক প্রধান মন্ত্রি থাইলেন্দগী নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎ এপ্রিল ৩ দা ভারত থাদোক্কনি। মীফম অসিনা বিমষ্টেক লৈবাকশিংগী মরক্তা ঙাকশেল অমদি চাউখৎ থৌরাংগী লমদা শিংনরক্লিবশিং মতেং পাংননবা ৱাফম কয়া মরুম খন্নরবা য়াই। বিমষ্টেকতা য়াওরিবা লৈবাকশিংদি-বংলাদেশ, ভুতান, ভারত, নেপাল, শ্রী লঙ্কা অমসুং থাইলেন্দনি।

**মিজোরামঃ** চহী অমা চুপা চত্থগদবা লূ নানবগী থৌরম 'নট লাংপুই' মিজোরামগী কোনুং আইজোলদা ঙরাংদগী হৌখ্রে। থৌরম অসি আর্বান দেভলপমেন্ট অমসুং পোভর্তি ইলিভেসন দিপার্টমেন্ট, আইজোল ম্যুনিসিপাল কোরপোরেসন অমসুং সেন্ত্রেল য়ং মিজো এসোসিএসননা পুন্না শিনবনি।

হৌদোকপগী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা আর্বান দেভলপমেন্ট অমসুং পোভর্তি ইলিভেসন মন্ত্রি কে.সবদাঙ্গানা হায়-মিজোরামবু লূ নান্না থমবা সরকার অসিনা অখন্নবা থৌরাং কয়া লৌখৎলে। মহাকা হায়-রাজ্য অদুগী সহর অমদি খুঙ্গংগী মফমশিং লূ নান্না থম্বা হায়বসি সরকার অসিনা খ্বাইদগী মাংজিল থানা পায়খৎকদবা থবকি। আইজোলবু লূ নান্না থমবা পান্দমদা সরকার অসিনা ম্যুনিসিপাল ৱেষ্ট মেনেজমেন্টকী অককবা থৌরাং অমা পায়খৎনবা হোৎনরি। চহী অমা চুপা চত্থগদবা কেম্পেইন অসি মথং চহীগী মার্চ থা ফাওবা চত্থগনি।

**ম্যান্মারঃ** ম্যান্মারদা য়ুহার হাবদগী শিবা মীগী মশিং লিশিং ২ হেনখ্রে। লৈবাক শিনবা থুংবদা নুমিৎ তরেৎনি অৱাবা ফোঙদোকবা লাউথোকখ্রে। হৌখিবা ইরাই নুমিত্তা মন্দলে লমদমদা রিক্তর স্কেলদা ৭.৭ অমসুং ৬.৪ য়ৌনা হাখিবা য়ুহার অদুদা মীওই লিশিং ৩,৯০০ হেন্না অশোক অপন নংলে। মীওই ২৭০ থিবা খঙদনা লৈরি। লৈবাক অদুগী ষ্টেট এদমিনিষ্ট্রেসন কাউন্সিলগী চেয়রমেন সেনিয়র জেনরেল মিন ওং লেংনা নুমিৎ ৭ নি অৱাবা ফোঙদোকবা

লাউথোকখ্রে। হায়রিবা মতম অসিদা অৱাবা ফোঙদোকপা ওইনা জাতিগী ফীরাল তঙখাই চিংথদুনা পাইহনগনি।

মরক অসিদা মী কনবা অমসুং তেংবাং পীবগী থবক খুমাং য়াংনা চংশিল্লি। ভারত, রসিয়া অমসুং য়ুনাইতেদ নেসন য়াওনা মালেমগী লৈবাক কয়ানা তেংবাংবগী থবক শরুক য়ারি। ম্যান্মারগী দিপার্টমেন্ট ওফ মেতিওরোলিজি অমসুং হাইদ্রোলোজিগী পাউ মতুং ইন্না ঙরাং অয়ুক রিক্তর স্কেলদা ২.৮ দগী ৭.৫ য়ৌবা আফ্টর সোক ৩৬ হাখি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

ইদুল ফিতরগী ছুতি ওইখিবনা ইম্ফালদা ফোঙবা পাউচেশিং অমত্তা ফোঙনদ্রে, অদুম ওইনমক সেনাপতিদা ফোঙবা পাউচে হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসতা-জেনরেল থাঙ্গাল মেমোরিয়েল ওপন ফুটবোল টুরনামেন্ট ২০২৫ গী অনিশুবা ইদিসন লোইশিনখ্রে, চরাই থাঙ্গাল এফ.সিনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রালয়না শান্তিগী ৱারি শান্নবা থৌরাং তৌরিবা অসিবু থুগাইনবা থৌরাং কুকি বেজ ভিলেজ ভোল্যুন্তিয়রশিংনা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি। কুকি জো কাউন্সিলদা চেকশিল ৱা থমখ্রে হায়বা পাউ অসিনা পাউচে অসিগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি এন.বিরেননা ফোঙদোকখিবা পি.এ সংমানা অৱাং নোংপোক লমদমবু কাংলুপকী য়েংলগা খাইদোকবা ৱাফম ফোঙদোক্লম্বগী পাউনা পাউচে অসিগী হেদলাইন ওইরি। সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা চথখিবা থিবা হুম্বগী থবক্তা খূৎশু খূৎলাই কয়ামরুম ফাগৎলে। লালহৌবা ফারে হায়বা পাউ অসিসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

এন.বিরেন সিংহনা লৈখিদ্রবা পি.এ.সংমানা ফোঙদোকখিবা ৱাফমগী মতাংদা মেঘালয়গী মুখ্য মন্ত্রি কোনরাট সংমাগা অৱাই অখুম তৌনখ্রে হায়বা

পাউ- তামেংলোংদা ফোঙবা গানফিউ মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদা শাবগী চাং হেনগৎলবা য়াই হায়বা মেট দিপার্টমেন্টকী ৱাফম পাউ অসিগী অনিশুবা হেদলাইন ওইরি। নুপীশিংগী মথক্তা চত্থবা হিংশা মুখৎপগী মালেম শিনবগী থৌরম ঙরাং নোনেদা পাঙথোকখিবগী পাউ পাউচে অসিগী হেদলাইন ওইরি।

তামেংলোং তাইমসতা হান্নগী লোক সভা অধক্ষা পি.এ.সংমানা অপিকপা রাজ্যশিং খাইদোকবা ফোঙদোক্লম্বা ৱাফম হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি এন.বিরেন সিংহনা য়ানিংদবা ফোঙদোরকপগী পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। ম্যান্মারদা য়ুহার হাবদগী শিবা মীগী মশিং লিশিং ২ শুখ্রে হায়বসিনা পাউচে অসিগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। ইজিপ্ট অমসুং কাতারনা নোংমৈ কাপবা লেপ্পগী প্রষ্টাপ হমাজনা য়াখ্রে হায়বা পাউ তামেংলোং তাইমসকী মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

**--পাউ লোইজরে--**